# লক-লাইবক-বিধাতা...



**- এস ইন্দ্রকুমার-**

ঐখোয়, মীওইবগী পুন্সিদা 'মায় পাকপা' নৎত্রগা 'পাক্তব'গী ৱারী শানবদা তত্তনা পন্নবা ৱাফম অমনি - লাইবক্লা চানবা নৎত্রগা চান্দবা! মায় পাকপগী চাং ৱাৎলবা (মায়থীবা হায়গুমসি) মীশিংনা, মায় পাকখ্রবা মীশিং অদুবু 'লাইবক্লা চানবা মী' নি হায়দুনা শীংথানবা-ঐখোয়না তোয়না থেংনরবা থৌদৌনি। ঐখোয়গী লোন'দা 'লাইবক' হায়বা ৱাহৈসিনা শূপচিন্না হেক্তা খঙনখ্রবসু ইংরাজি লোল'দদি লক/ফেৎ/ফোর্চ্যুন/দেষ্টিনি হায়বনচিংবা তোঙান তোঙানবা ৱাহৈ, শীজিন্নফমসু তোঙানবা লৈ। মখোয়দু কূপ্পা, শন্দোক্না ইজরোই। লাইবক/লক হায়বসি তশেংনা লৈবরা? লৈ, নৎত্রগা, লৈতে। অনীমক্কী অর্গ্যুমেন্ট লৈগনি। ৱারেং অসিগী পান্দম-প্রোপোজিশন অনীসিগী মরক্তা অমগী নাকন্দা লেপ্লগা, 'মদু চুম্মী' হায়ননবা হোৎনবসু নত্তে। কনাগুম্বা অনীখক চপ মান্নবা খুদোংথীবা তানফম অমদা তামিন্নরুরে। অমগী মথ্বায় মাঙখরে, অমনা শিনীংচিত্তা হিংহৌরে। অদুগুম্বা থৌদোক অদুবু ঐখোয়না 'লাইবক থীবা থৌদোক' হায়না শীংথাগনি, হিংহৌরিবা মীদুগী মরমদনা 'মরাইবক লৈদুনা হিংহৌরে' হায়গনি। লোট্টরি অমা ফাওবা নৎত্রগা হাউসি (তম্বোলা) গেম অমগী হাউস-ফুল-প্রাইজ-ৱিন্নর ওইবদুবুসু 'লক্কী ৱিন্নর' কৌগনি। ঐগী থিয়েটর কম্পনিগী লিদিং এক্টর ওইরম্বা মরুপ অমা, মমাঙঙৈ, লুপা কুন পীবা হাউসি টিকেট অমনা মোটোর-সাইকল অমা ফাওখিবদগী 'হাউসি' পনবা য়াদবা, পাম্মুবা লৈত কোয়থি থিদুনা মমল য়াম্লবা টিকেট কয়া লৈদুনা মরাইবক য়েংখিবা, হাউসি-এদ্দিক ওইখিবদগী মরোন-মরাং তাকখিবদু নীংশিংই। হাউসি য়াম্না ফাওগল্লি হায়দুনা, লৈকায়গী মীনা কল্লকপা টিকেট ফাওবা মঙোন্দা শেল পীদুনা ককহনবা, ঐখোয় লৈকায়গী ইনাও অমা লৈ। অদুবু, মহাক লাইবক্লা-চানবা-নুংঙাই-য়াইফবা মী হায়বদুদি শুপওই ওইখিদে। অদুগা, ঐনা মশক খঙবা, লাইরিক-লাইশু-মহৈ-মশিং নীংথিনা তমখিদবা, মহাক্লা তৌবা করবার খুদিং মায় পাকই, লাইবক্লা চাল্লি হায়নবা, ইনাক খুনবা করবারৱালা ঐনা খঙবা খরা লৈ। মখোয়না নক্লবা মী খরদগী ফংবা রিপোর্ট'তগী কোন্না খঙলকই - মখোয়গী মরাইবক লেপ্লিবা, থৌজাল হৈবা লাইবক্কী লাইরেন্বীদুদি 'আইননা য়াদবা, অতোপ্পা মরাল লৈতবা মী কয়াবু অৱাফমদা লংশিনবা, অরোনবা-হুরান-করবার' ওইরম্মী।

'লক' হায়বসি করিনো? 'লক্কি মেন' হায়বসিনা করম্বনো? হায়বনচিংবা সাইকোলোজিকল ওইবা অস্পেক্ট অদোমদা নৈনরগুমসি। পাক-চাউখ্রবা হীরম অমনি। লম্বীদা থোকপা (রোদ) এক্সিদেন্টশিংদা মী শিবগী চাং খ্বাইদই ৱাংবসি ইন্দিয়ানি (চাংচত্তা লাখ ২.৫০দগী ৩ ফাওবা) অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মফম তান্নরিবনা চাইনা (লিশীং ৬০দগী ৬৩ ফাওবা) অমসুং অমেরিকা (লিশীং ৩০দগী ৩২ ফাওবা) নি। মণিপুরদা হন্দক নুংঙাইতবা রোদ এক্সিদেন্ট খরগী পাউ অমদি শিবা/নাবগী পাউ তারকপদুদা, মরী লৈনবা মপান লমগী ৱারেং খরা পাদুনা নৈনরুই - করিগী ইন্দিয়ানা নম্বর ৱান তারিবনো? অমেরিকান ত্রাফিক ইঞ্জিনিয়রনি হায়বা অমখক্লা হায়বা ৱা অমা বৃটিশ রাইটর অমনা ইবা এসে'দা অখন্ননা পল্লকপদু ঐনসু ৱারেংসিদা হেক পন্নীংলুরে। মদুদি ... 'তশেংনা কূপ্পা থিজিল্লুরবদি ঐখোয়না ঙসি লম্বী-সড়ক্তা থেংনরিবা খুদোংথীবশিং অসিদি অয়াম্বনা ঐখোয় মীওইবনা চেকশিন্দবদগী নৎত্রগা মীওইবনা শাবা ইঞ্জিনশিং অদুগী মেকানিকেল ফেলরদগী, নৎত্রগা, ফেক্টর অনীমক্লা মরম ওইরগা থোকপনি, অশেঙবা এক্সিদেন্ট হায়বদু নত্তে'...। মহাক্কী ৱাফম অসি য়েৎননীংঙাইদি ওই হায়ববু খন্থনীংঙাইসু ওই। এক্সিদেন্ট হায়বসিগী ৱাহন্থোক, পূন্নমক্লা খঙনরিবদুনি - 'ইখঙ খঙহৌদনা, থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমা, কনাগুম্বা অমত্তগী থৌইনশিন য়াওদনা থোক্লকপা থৌদোক, অমাঙ-অতা থোক্লকপা অদুবু এক্সিদেন্ট কৌই... লাইবক্লা এক্সিদেন্ট থোকহনবা নত্তে'।

মসিগী ত্রাফিক-ইঞ্জিনিয়র-এক্সপর্ট অসিনা হায়রক্লিবা/পুখৎলকপা অর্গ্যুমেন্ট অসিদা খন্থনীংঙাই ওইবা, লৌবা য়াবা ৱা অমা য়াওরি। হৌখিবা মীরোল কয়াদগী অখঙ-অহৈ-লৌশিংবশিংনা হায়নরকপা ৱা অমনি- তাইবঙসিদা থোক্লিবা থৌদোক নৎত্রগা ৱাথোক খুদিংমক্কী হৌরকফম/মরম অমমম শোয়দনমক্কী লৈরমগনি। নোং চুরিবা, নোংথাং কূপ্লিবা, নিংথম-কালেন নাইরিবা, ঈপাক্লা ঈপোম নাইরিবা অচৌবা ঈথক হৌরিবা (জ্বার কারিবা), অমম-অঙান খায়রিবা... মরম অমা লৈরিবনি। এক্সিদেন্টেল ওইবা থৌদোক নত্তে। অদুবু, জুরাসিক-এজ (চহী মিল্লিয়ন ১৪৫দগী ২০০ মুক্কী মমাঙগী মতম) অদুদা অহাঙবদই পাইরকপা অচৌবা পোৎশক (মেটিওর) অমনা মালেমদা থেঙজিনবদগী, মতমদুদা মালেমদা লৈরম্বা/পাল্লম্বা দাইনোসরশিং মূৎখিবগী থৌদোক অমা থোকখি থাজনরিবা অদুনা এক্সিদেন্টনি হায়বা য়াই। ঙসি নোংমগী অঙৈং-অশা, এক্সিদেন্টেল নত্তে। অদু ওইরবদি, এক্সিদেন্ট হায়বা থৌওং অসি মীওইবখক্তদা থোকপা থৌদোক্লা? থৌদোক অমই মরুমদা মরম অমা লোৎপগুম এক্সিদেন্টকী মরুমদা মীওইবগী খূৎফম য়াওফম থোক্তবরা? ৱাহং অমা থোক্লকই। রুসিয়া, চাইনা, অমেরিকাদা থোকপা রোদ এক্সিদেন্ট অমদি মীশি-মীনা মশীংগা, ইন্দিয়াগী রোদ এক্সিদেন্টতা শিবা মশীংগা খেন্নরিবা অসিনা ময়েক শেংনা তাকথোকচৈ- মীওইবনা পায়খৎচবা চেকশিন-থৌরাং অমদি লম্বী চৎপগী চৎন-পথাপ ঙাক্লা চৎপা/চঙবা হায়বসিনা লম্বীদা থোকপা খুদোংথীবগী চাং হেনবা নৎত্রগা ৱাৎপগী ৱারেপ্লফম্নি। থোক্লগদবা খুদোংথীবা নৎত্রগা নুংঙাই-য়াইফ মীকূপ খুদিংমক, নোংদোলথক্তা নোংদম্বনা হান্না ইথোক্তুনা থম্লবা লাইবক্কী লাইরিক অমগী ৱারোল মতুংইন্না ওইরকপা নত্তে।

অদোমগী পূন্সি অদুনা ঙসি ফাওবা হিংলকপসিদা, কনাগুম্বা অমনা মহাক্লা মায়থীবগী মরম মশাগী মরাইবক্তা তাইনদবা কনা থেংনবীরকখ্রবগে? অদুগা, 'সিমসু শোয়দনা থেংনবীরমগনি - মখোয়দুনা, অতোপ্পা মায়পাকখ্রবা মীওইশিং অদুবুসু 'লাইবক্লা চানবা মী'নি হায়না শীংথাবা। মায় পাক্লবা মীশক অমগী মায় পাকপা মীকূপ অদু ফাওবগী খোঙচত্তা থেংনখিবা মায়থীবা-মীকূপশিংগী এক্সপরিঅন্স অদুদি কনানসু নীংশিংবীদে। মায়থীবগী এক্সপরিয়েন্স অদুনা মথৌ শঙলবা, হনবা নাইদা হোৎনখিবা মীকূপশিংদুগী ৱারীসু কনামত্তনা লীবিদে।

ইজরিবা ৱারেংসিগী পান্দম, অতৈ নত্তে, অফবা নৎত্রগা ফত্তবা 'লাইবক' (লক) হায়বসিদা থাজসিরা? নৎত্রগা, থাজরোইসিরা? হায়বসিদা ৱাখল অমুক্তং খন্থমিন্ননীংলুবনি। 'কোজ' এন্দ 'ইফেক্ট' হায়বা নেচরেল লো অমা লৈরিবসি ঐখোয় য়াথোকসি। কনাগুম্বা অমগী 'গুদ-লক' করম্না ওইখিবনো থিগৎলুবদা ফংগনি-থবক্তুগীদমক্তা মহাক্লা করি থৌরাং তৌরকখিবা, করম্না শেম-শারকখিবা, পূক্লিং অনী লোঙদবা অচেৎপা ৱাখল, অসিনচিংবগী ৱারী, কনাদসু লীথোক্তবা। 'দাও য়াদে'/'লাইবক্লা চান্দে' হায়না তোয়না হায়গনবা মীশিংদুগী মফমদনা থোক্লমগনি মসিগী ওন্ন-তৈনবা-থবক্তা পূক্লিং চঙদবা, হোৎননীংদবা এতিচ্যুদ, হোৎনর'সু ওইরোইদবসিবু... হায়বনচিংবগী নেগেটিভ থোট্। থবক অমইদমক খোঙশাল্লকপদা হৌদোংনা ঐগী মাঙদা, লম্বীদুদা, তুবৎ লান্না চৎখিবদা- 'থবক্তু মঙ্গল ওইররোই' খন্নবা, ষণনাওনা ষণবীগী শঙ্গোম থকপা উরগনা 'নুমিত্তুমা লাইবক্লা চাল্লনি' খন্না-ৱাখল নুংঙাইবা... ঐখোয়গী পূক্লিং-ৱাখলসিখক্তনা শাগৎচবা 'নোসন' নি। মীওইবগী লাইবক ইবা 'নোংদম্বা' (বিধাতা) কৌবা লাই অমা নোংদোলথক্তা ফমদুনা লৈতে, 'অরোন-অথূপ' পাউ-পুবা 'চিত্রগুপ্ত' কৌবা স্পাই-গোদ অমসু লৈতে, 'লাইবক কৌবা ফেনোমেনন অমা লৈ' খন্নবদুসু মোন্দ্রঙনি। ইশম শম্না লাইবক (লক/ফেট/দেষ্টিনি/বিধাতা) কৌবা, তম্বা ঙমদবা, শকউদবা কনাগুম্বা অমনা শান্নবা লীলা/কূমহৈ অমা লৈ খন্নরিবা অসিমক, ঐখোয় মীওইবনা তৌখিবা/পাঙথোকখিবা থবক (কর্ম) অমগী মহয়নি হায়না ৱাখল লৈবা কনানা হায়রম্লিবা অদুনি। মমাঙ' মপোক্তা (নহা ওইরিঙৈ) পাঙথোকখিবা কর্মগী ফল, মথং' মপোক্তা (অহল ওইরক্লগা) ফংই হায়নরিবনি। 'পূন্সি হায়বসি তম্বা-ঙমদবা ঙাক্তনা থল্লি' হায়বা ৱাহায় অসি হোংদোকসি। 'ঐগী পূক্লিংনা খোয়দাখিবা, পামজখিবা পোৎশক খুদিংমক, ঐগী পূক্লিং লৈকোলদা মরূদগী ময়োল চোং, পাম্বী ওইনা হৌগৎলক, লৈশাৎ তম-মহৈ য়াল্লকই' হায়বসিসু কাউগুমসি। মদুনা লাইবক ওইরকই। ●

# কে কে ঙানবা (মংলেমজাও চোংথামচা) গী শৈরেং লাইরিক 'থম্মোয়গী খোল্লাউ' লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা




**- তোংব্রম অমরজিৎ -**

কে কে ঙানবা কুমজা ১৯৫৪দা য়াম্না লায়রবা ইমুং অমদা তাইবঙ খোঙদারকখি। অপোকপগী মিং মনি অমদি অপোকপীগী মিংনা ইবেলৈ কৌই। ময়াং লাংজিংনা মহাক্কী পোক্লফম লমদমনি। মফম অসিদা ক্লাস নিপালশুবা ফাওবা তম্লকখি। কোন্না অপোকপগী পোক্লফম নাগামপাল শীংজুবুংদা য়ূম হোংলক্তুনা তোম্বীসম্না হায় স্কুলদা অমুক ক্লাস টেন ফাওবা তমখি। মহৈরোয় ওইরিঙৈদগী হৌনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ফিলোসোফি অমদি আইদিওলোজিদা লুপচদুনা হৌরকখি। য়াওল ঈহৌবুসু পামজনা লাকখি। পান মণিপুরী য়ুথ লিগনা পুথোকপা চেফোঙ 'লময়ানবা' মীয়ামদা য়েন্থোকপগী থবক মায়পুননা তৌরকখি। লাইরিক ফনা হৌরকখি। গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিককতা সিভিল ইঞ্জিনিয়ারিং তমখি। তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংদা থবক তৌরমখি। লোক্তাক প্রোজেক্টতসু থবক তৌরমখি। কুমজা ১৯৯৬তা ভোল্যুন্টরি রিটায়র্মেন্ট লৌখি। য়াওল ঈহৌগা মরী লৈননা ফাদুনা টিহার কৈশুমশঙদা কুমজা ২০০৯-২০১৪ ফাওবা লৈরুরে। মতমসিদা মহাক শৈরেং, ৱারেং কয়া ইখি। খুন্নাইদা করিগুম্বা কান্নবা থবক খরদি খুদোল তমনীংলি অইবনা। ''থম্মোয়গী খোল্লাউ'' মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ১২৫ য়াওরি। মীতৈ ময়েক্তসু হাপ্লি।

ইস্যু কয়ানা থল্লবা ইরমদম অমা ওইরক্লি। লুচিংবনা চেঙগুম শৌবগুম শৌরক্লি। লূপ ময়ামগী লুচিংবা কয়ানা ৱারেপ কয়া লৌনরক্লি ইমা লৈবাক্কীদমক। থবক তৌনরি মানা-মানা ঙমজবা। অফবা থবকসু কয়ানি পাঙথোক্লরিবা। তুংগী মীরোলগীনি লমদম অসিগী য়াইফনবনি। অদুবু লূপ ময়াম পুনশিনবা, লুচিংবশিং পুনশিনবদি ইঙম ঙমদে। লৈবাক্কী লুরবা তানফমশিংদা ৱা তানগদবদা লুচিংবা ওইনীংবা, মনা থানীংবা, কৎথোকপা ঙমদবশিংনা মশাগী নাপল অমদি ঙাইহাক্কী কান্নবা খরগীদমক্তা থবক তৌবনা মরম ওইদুনা লৈঙাক্কী পোলিসি মেকিংদা চাউনা শোয়রক্তুনা ঙসিদি অরেং-অরেং পুখরক্লি হায়বা য়াই। লিংজেল মান্নরম্লবসু য়েক্লবা মশক খঙদবনা ঙসিদি মীনা শিংচেপ থাজিল্লকপদা খায়বুং খায়বুং তান্নবগুম তৌরক্লি। মসি কায়থরক্লিবা সোশল ফেব্রিক অদুনি। তুংদা হৌরক্লিবা ইচা ইনাওশিং, অনৌবা মীরোলশিংনা কৈরাক মথং মথং কারক্কদবা অদু ঙসি ঐখোয়না কৈরাক মচৈ থুদেক্লদুনা লৈরগদি ইজাতি অসিনা নোংম-নোংমগী মীপাল তাংদুনা হিংলক্লোইদ্রা। মসি য়াম্না চাউবা ৱাহং অমা ওইরক্লিবনি। অসিগুম্বা মাঙথ-কায়থরক্লিবা মশক অমা মিৎয়েং শান্না উদুনা অশৈবা কে কে ঙানবনা খোল্লাউ খরা শৈরেং ওইনা ইদুনা পাউমেল্লক্লি। মিংথোল ওইরিবা শৈরেং **'থম্মোয়গী খোল্লাউ'** অসিনা ফোঙদোক্লিবসু অসিগুম্বা লমদম অসিগী শোকচিল্লক্লিবা সোসিও-পোলিটিকেল ওইবা মশক অদু ময়েক লানা ফোঙদোক্লকপনি। ইপু ইবেনশিংনদি পাউতাক পাউজেল কয়া পীবিরম্মী। পুয়াগী লাতম কয়াসু তুংগী মীরোলগীদমক চেকশিন্না থম্বীরম্মী। অদুবু ঙসিগী হৌরক্লিবা মীরোলনদি পূন্নমক অসি ভেল্যু খঙবা খরা ৱাৎপগুম তৌরি। মসিনি শেমদোক চুমথোক্লিংলিবা অশৈবা কে কে ঙানবনা। অদুনা ইরক্লি, ''ঐখোয় নীংশিংসি লাইরিক্কী পাউতাক ৱারী/হৌখ্রবা অহলশিংগী পাউরৌ পাউতাক ৱা/''অপূনবতনা পাঙ্গলনি- তরাগী চৈশুনা লেংথোন ফাই'/মচোয় মচোয় তানবনা ঐখোয়না ঐখোয়বু শোন্থহঞ্জরে/পুল্লসি অমত্তা ওইনা উৎলম্লসি অপূনবগী পাঙ্গল... অমনা অমদা তোংশিন্দুনা কনাগী পূক্লিং থৌগৎপা/য়ূম কায়নবগী থৌরাংনি.../... অকনবনা তৌবতনা মচুম্লবা অশোনবনা তৌবতনা মরাল্লবা/ কৈদৌনুংদা পুরক্লোই নুংশিনবা/হুন্ন-লাউনগুমসি ঐখোয় মশেল/পুজরকসনু অশেংবা মশক মতমগী খোঙচৎনা।'' (লা: ১৫) শৈরেং অসিগী ৱাহৈ-ৱাতা ইচম চম্বদি য়াই অদুবু ফোঙদোক্লিবা ৱাহৈশিংদি অচুম্বা থম্মোয়গী খোল্লাউনি। হীরম কয়াদা মনীং হল্লক্লিবা মণিপুরী খুন্নাইদা য়াকাইরোল অমা শৈরেং ওইনা শক্লকপনি অশৈবনা।


কে কে ঙানবা

লাইরিক্কী মমিং :- **থম্মোয়গী খোল্লাউ (২০২৫)**
অইবা :- **কে কে ঙানবা**
অফোঙবা :- **চিংশুবম (নিঙোল) চোংথাম**
**ওংবী লক্সমি লৈমনা অশাংবা কম্যুনিকেশন, ইম্ফালগীদমক ফোঙবা**
লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**
লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ২৬০/-**
লমায় মশিং :- **২৫০ (মীতৈ ময়েক য়াওরগা)**



খুন্নাই অমনা হিংলিবসি খুন্নাই অদুদা লৈরিবা মীওইশিংননি। লমদম অমবু মশেক মঙাল নাইনা মশক তাক্লিবসু লমদম অদুগী মীয়াম্না মমা লৈবাকপু নুংশিজবা, লৈবাক নীংবা কখোকপা ঙম্বা লুচিংবা লৈবগীনি। লোয়লম লৈঙাক্লা নোংচুপ চীংয়া থাংখ্রবসু লৈহৌরি নিও-কোলোনিয়েলগী সিষ্টমদি। মসি অরোনবা থৌশিল থৌরাং কয়ানা অনৌবা চাওখৎপগী অমদি দিভেলপমেন্টকী মিংদা অপীকপা ফূরুপশিংদি তপ্পা-তপ্পা য়োৎশিনবা লেপত্রি। খঙদনা অমদি খঙনা খঙনা কনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বসিসু ৱাহংনি। মরমদি নোংচুপ লমগী কলচরেল ইম্পরেলিজম্না লেপ্তুনা শন্দোরকপদা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফূরুপ মচা মচাশিংগী আইদের্ন্টিটি মমি তপ্পা-তপ্পা শাল্লক্লি। চীঙাক্তা, ফিজেৎতা, মহৈ-মশিং তম্বীবদা লাক্লিবা কোলোনিয়েল হেজিমোনি অসিসু কূপ্না য়েংশিলহৌবা চুমগনি। লমদম অসিবু মরোমদোম লৈঙাকচবগী লম্বেলদা লাকহন্নীংবনা অশৈবনা থাজবা থল্লি ঙসিগী মীরোলদা অমদি য়াওল ঈহৌদা। অদুনা ইরক্লি 'থাজবদি মাঙদরি' মিংথোনবা শৈরেংদা, ''...ঐদি ঐগী ওইদ্রবনি মীয়ামগীনি/নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগী লাম্থেংনরিবা লান্মীনি/তোল্ল তারবশিংগী মরুপনি/খোঙচৎসি লেপ্তবা তাই পন্থুং য়ৌনবা... নীংহন্নদবা তাই মায়থীবা কয়া নংলবসু/নোংমদি শোয়দনা ফংগনি নীংতম্বা/ শোন্থজরবসু হকচাংনা থাজবদি মাঙদরি।'' (লা: ২৩)

অচুম্বা ৱা হায়বদা কিনরবা মতমনি। অরানবদা কায়দোং ওইদুনা মীয়াম্বু লমজিংলিবা লুচিংবগী মায়খুম উপ্লিবশিং, য়াইতোং ফমদোংবশিং, মখোয়দি নুংঙাইরি লৈবাক মীয়াম্না হা-কা লাউনা হিংলবসু। লাইবক থীবা কাঙলূপকী ঈরাংনা ময়ূম মকৈ তাঙ্গৈাই তানা চাকখ্রবশিংগী মিংদা পোলিটিক্স তৌরিবশিং মখোয় মশা-মশা মরাল লৈরবদি ফম থাদোকপা মতমদি থেংমল্লবনি। মখোয় ফম কোল্লি, মতোং চারি মোন্দুম মোন্তেকথক্তা। মখোয় অচুম্বা তৌরিব্রা হায়বসি কনাসু থাজবা ঙমদ্রে। মরমদি হুরানবগী থবক্লা মাঙ থারি। মখোয়গী তুংইনবশিং ৱাজাও ঙাঙলি। মপুনা চান্নবা চৎলি। অচুম্বা করিনো খঙদে। পূন্নমকসি উরুবদা অশৈবদি ফুম্বংনরি। ইরক্লি, 'কনা লৈরি অচুম্বা তৌবা'। কবিনা হায়রক্লি, ''ৱাসু চাউনা চাউনা ঙাঙই/য়াম্না তৌবা ঙম্বকসু মাল্লি/মরৈবাক নীংবকসু মাল্লি/মীয়ামগীদমক কখোকপসু মাল্লি/লায়রবশিংগী মরুপনিকাসু হায়... হায়রি মন্ত্রিনদি/মীয়ামগী মীহুৎনি ফনবা তৌরিবনি/তূমিন-তূমিন্নদি লেপশিল্লি সনা খাওজাউ, লুপা খাওজাউ... কনা লৈরি লৈবাকসিদা অচুম্বা তৌবা, কখোকপা/ঐসু ফৎতে নঙসু ফৎতে মাসু ফৎতে...'' (লা: ২৭) ফজবা শৈরেংনি।

'ফিরাল' মিংথোনবা শৈরেং অসিদা অশৈবনা তেংথারক্লি কংলৈ লমদম অসিগী অদুঙৈগী মশেক মঙাল নাইরম্বা ফিরাল অদুগীদমক্তা। ফিরাল অসি অচম্বা ফিরাল নত্তে লমদম অসিগী নীংতম ফিরালনি। মরোমদোম লৈজরম্বা হাইনা হুম্না মনীং তম্না পাল্লম্বা লৈবাক অসিগী শক্তম অমা শৈরেং অসিনা ফোঙদোক্লি। কবিনা ইরক্লি, ''পাইরম্বনি হাইনা হুম্না/নীং-খা তম্বগী ফিরালনা/কংলৈপাক্কী নোংদোনথক্তা।/মতমগী অকনবা নোংলৈদা/হুমদোক্লুরবসু কয়ারক হন্না/মমা নীংবা কংলৈচাশিংনা/পাইহনখিবনি হন্না হন্ন/১৫ ওক্তোবর ১৯৪৯গী/অকনবা নোংলৈদা হুমদোকখিবদগী/হন্না পাইখিদ্রে মনীং তম্না/থমজিনখ্রে তাবুনুংদা থুপচিন্দুনা/ছোজাউ অমা লোনশিল্লগা...'' (লা: ৪৯) ফিরাল অসিগীদমক ঐখোয় অমত্তা ওইনা লেপসি, থৌনা পূন্নমক ফুদোকসি, পূনশিল্লসি অমত্তা ওইনা অদুগা মমি শান্নুরবা শক্তম অসি অমুক মশেক মঙাল নাইনা হিংনবা হোৎনমিন্নসি হায়বগী পাউজেল অমা পীনীংলি অইবনা।

শৈরেং ফজবা ৱাহন্থোক লৈবা কয়া য়াওরি। নৈননীংঙাই ওইরি। খুন্নাই অসিদা পাউজেল পীবা ঙম্বা শৈরেংশিং লেপ্তুনা ইহঞ্জনীংই। মণিপুরী খোরিরোল অমদি ঈনাৎ য়োকখৎপদা অইবশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। ●

# বাংলাদেশতা অহিং অহুম -২

**- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -**

ইমাগী শোঞ্জিল্লকপা, অহোংবা লাকপা মতৌদুনা ঐবু বাংলাদেশতা চৎপগী তাঙনা ফংবা খোঙচৎ অসি য়াওবা ঙমখিদ্রা, ঙম্লরোইদ্রা খনফম খঙদে। চৎনীংবগী য়াওগে হায়দোক্লুরগসু থাজদবগী চাংদি অসুম-অসুম হেনগৎলক্লি। সেপ্টেম্বর ২০, ২০২৫গী নুমিদাংৱাইরমনি। ঐগী অপোকপা মীয়াম্না আর কে সী এস হায়না খঙনরিবা শক্লাইরবা লাইয়েকপা অসিগী চহী ১০০ শুবগী চহী অমা চূপ্পা চথুরকপা থৌরম লোইশিনবা নুমিৎতা ফোঙগদবা, ঐগী ইপাগী মফমদা কৎচবা থৌরম অমা মণিপুরগী কবিশিংনা হৌখিবা কুমজা ২০২৪গী দিসেম্বর ১২ নুপীলাল নুমিৎতা শাথৌলূপকা, আর কে সী এস বর্থ সের্ন্টিনরি সিলেব্রেশন কম্মিটিগা পূন্না শিনখিবা, টোক শো থৌরম অদু আর্টিষ্ট অরিবম জয়চন্দ্র শর্ম্মনা ৱাঙাঙলোই ওইবীখি। ওজা চুংখাম সুবদনিনা থৌরম মপু ওইবীখি। 'আর কে সী এস এন্দ নুপীলাল' হায়বা টোক প্রোগ্রাম অদুগী লোইশিনবদা পাঙথোকখিবা শৈরেং শৈদিন অদুদা কবিশিংনা থিবীখিবা শৈরেং অদুবু খোমজিল্লগা অমসুং ত্রিপুরা, বাংলাদেশ, ম্যান্মার অমসুং অসামগী কবিনা মণিপুরদা লাক্তুনা য়াওরবা ঙম্বীহৌদ্রবসু আর কে সী এসপু শৈথাবা শৈরেংশিং থাবীরকপা মরম্না লাইরিক অসি ইন্টরনেশনলগী থাক্তা ফোঙবা লাইরিকনি হায়বসু কায়দে। ফজনা পুথোক্লবা করি মমিং থোনসিগে, অতৈ অতৈ আই এস বি এন নম্বর লৌবগী মতম হায়বা অমা লৈবনা মমিংদো হান্না থোন্দবা য়াদবনি হায়দুনা মীটিং অমা তৌখি। মীটিং অদুদা লাইরিক অসিগী মমিং ''খোঞ্জেল অমসুং খোন্থাং'' কৌরসি হায়না য়ানরে।

নুমিৎ নীনি লৈরগা সেপ্টেম্বর ২২, ২০২৫দা ঐনা থবক শুরুরগা (লাইয়েকপা) ইমুংদা চঙলকপদা ইতৈমশি অহল বালেশোরিনা ইমাগী নিংশা শ্বর হোনবগী ফীভমসি খরা কায় হায়না তল্লে। মাইবা কৌসিরা হায়না ঐগী লোয়নবী সরোজাদা তম্লকপদা ঐনা চঙশিন্দুনা খোঙলৈ থুনা চেনশিন্দুনা ইমাগী ফীভমদু য়েংলুবদদি ওন্থোক্লা ফীভম কায়না শ্বর হোৎনবদু উরুবদা ইমৌনুপী ডা. প্রিন্সিদু কোলেজদগী হল্লক্লব্রা হায়না কোয়রাও লাওই। মাসু তারমানে কুমথরক্তুনা ইমাগী ফীভমদু য়েংবদা ইমৌনুপীনা হায়- খুদক্তা হোস্পিটালদা পুহৌদ্রবদি ফীভম অসিদদি, হেক্তা থোকপা য়ারে, ইমুং মনুং ঈরাং লাংনৈ। খুদক্তা খোঙলৈ থুনা শিজ হোস্পিটালদা পুখৎলে নুমিদাংৱাইরম। শিজ হোস্পিটালদা হেক য়ৌবগা য়াম্না থুনা ইমর্জেন্সি ৱার্দতা ইনশিল্লি অদুবু লাইবক থীবদি ওক্সিজেন চঙবা ঙমদ্রে মরম অসিনা আই সী য়ুদা পুশিন্দুনা ভেন্টিলেটর হাপ্পবা ডাক্তরনা হায়রকই। নুমিৎতু হিয়াঙ্গৈগী নোংমা পানবনি, য়ূমদগী নোংমা পানবদা থোকপদি নুংঙাইতে ঙসিদংদি লাম্থোকহৌসি হায়রকপগা তান চান্নরে নোংমা পানবদদি থোক্লরোই খঙলে। নোংঙানবদা তামো ডা. পালিনগা ঐগা তান্নরে, তামোনা হায়- ইমাসিগী চহীগী ফীভম অসিদা এগ্রেসিভ ওইনা লায়েংবদি য়াররোই তাকপীরকপদগী শিজ হোস্পিটালদগী নুংথিল অথেংবদা য়ূমদা পুথরে। লৈকায়গী ময়ামদি লৈত্রবনি খনবজাৎনি। য়ূমদা ফিভৌ শেৎপা ময়াম লৈনরম্মী। ইমুং মনুংনা পামজবা ওইনা ঐজ্ঞা গৌরো কৌদুনা শেন্বীবা মপুগী মীঙ্খৈ শোঞ্জদুনা লাইরিক তাই, ইমাদু লাইরিক তারিবনি হায়বদু ইমা মশানা খঙজখি মরমদি লাইরিক হৌরকপদা ইমানা খূৎ অনীমক খুরুম্বগী মওংদা থাঙ্গৎলকই, অদুবু নুমিৎতুগী অহিং অদুদি জে সী আর ঈগী নর্সশিংনা অহিংদুমা শেন্নদুনা, মোবাইল ভেন্টিলেটরগী মতেংনা অহিং অদুমদি শাংথবা ঙমখি। নোং ঙানবগা সেপ্টেম্বর ২৪গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.১৫দা নুংশিরবী ইমাদু ঐখোয়বু থাদোক্তুনা তাইবঙপাল থাদোকখ্রে। নুমিৎতুদা ইমা কায়নবগী অৱাবা মশক খাঙখি। ঐ য়াম্না ৱাখি। মথংগী নুমিৎতা মল্লিঙৈদা হৌগৎতুনা ইমা কায়নবগী অৱাবদা শৈথাবা শৈরেং অমা ইদুনা ঐগী ফেসবুক একাউন্টতা পোষ্ট তৌবদগী ঐগী মরুপ ময়ামসু খঙলমাল্লে অৱাবা ফোঙদোকপগী কম্মেন্ট লাকপা হৌরে। নুমিদাংৱাইরম ওজা সরতচান্দ থিয়াম য়াওনা শাথৌলূপকী মেম্বর খরা আর্ট সোসাইটি মণিপুরগী মেম্বর খরসু হংবা লাকপী। ময়াম চৎনখ্রবা তুং ওজা সরতচান্দ, টি ঐচ ব্রোজেন্দ্রোদি লৈহৌরি। ঐখোয় ভিজা লৌবগী ৱারী শানৈ।


আগরটলা এয়রপোর্টতা মীৎকুম অমা

বাংলাদেশকী খোঙচৎ অসিসু কায়দনবা অপোকপা ইপাগী বর্থ সেন্টিনরি লোইশিনবগী ফঙ্কশনসু কায়দনবা ইমানা শেন্বীবা মপুগী খুয়া তানখিবদো, মপুমক্লা শিনবীদুনা ঐগী অৱাবা লাংতক্লবা অদু উবীরমাল্লে খনখি। ওজা সরতচান্দনা হায়খিবা অমা লৈ - পূন্নমক অসি মপু মানা শিনবীবা ঙাক্তনি ঐখোয়না ঙম্বা নত্তে। ইমানসু নঙনা চৎচনীংবা নুংশিবী বাংলাদেশতু চৎলুরো হায়বগী অয়াবা পীবিবনি লৌজরে। ঐগী হন্দক্কী নীংজিং-মাংজিংনবা থৌদোক অসি ওজা সরতচান্দ থিয়াম্না বাংলাদেশতা অহানবা ওইনা বাংলাদেশ মণিপুরগী সাহিত্য শংসদকী মীফম য়াওনবা মতমদুগী শংসদসিগী প্রসিদেন্ট ওজা সেরাম নিরঞ্জননা য়াওবীদবা য়াদে হায়না কুমজা ২০০৪দা হায়বীরক্লবসু ওজাগী লোয়নবী ওজা বিমাবতিগী অপোকপী ইমা খুম্বোংময়ূম মধুমতিগী অনাবা লুশিল্লক্তুনা লৈখিদবগী থোকখিবা থৌদোক অদুগা য়াম্না মান্নে হায়না তাকপী। হন্দক ঐগী বাংলাদেশ খোঙচৎ অসি ইমানা চৎহনবনি, ইমাবু নচানা খুরুমজরি হায়না পূক্লিংদা শোনজে। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ওইনা মীহুৎ অনী এলাংবম প্রিয়োবর্ত, সেক্রেটরি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, জোইন্ট সেক্রেটরি এল রামেশোর, শাথৌলূপকী ওইনা থৌনাওজম ব্রোজেন্দ্রো, কোন্থৌজম বোবিন, সরতচান্দ থিয়াম, ঐহাক (বুধিমন্ত) নি। ঐগী ভিজা লৌননবগী লুপা ৬২০০ ওজা সরতচান্দদা পীখ্রে। ওক্তোবর ২দা ভিজা ফংলে হায়বীরক্লে সরতচান্দনা। পূন্নমক অসি মপু মানা শিনবীরকপা ওইবনা চৎপদি চৎলনি খঙলে অদুবু ইমাগী শোরাৎ ওক্তোবর ৭তা তারে অদুগা অমুক ঐগী ইপাগী ১০১ বর্থ এনিভর্সরিনা ওক্তোবর ১৩দা তাই। চহী অমা চথুরকপা বর্থ সেন্টিনরিগী থৌরম লোইশিনবসু মপূং ফানা পাঙথোকপসু ঙমজখ্রে। মসিগী মতুংদা ঐখোয় চৎনবা থৌরাং তৌবা হৌরে। লৈকোলগীসু মেম্বর মরি চৎলনি হায়না কনফার্ম ওইরে তাকপীরকই। ইতৈমা চুংখাম সুবদনি, প্রসিদেন্ট লৈকোল, লৈকোলগী জেনরেল সেক্রেটরি জি এ ঘনপ্রিয়া, ওজা এন রঞ্জনা অমদি ওজা এল সোবিতানি। মণিপুরদগী চৎকদবা টিমগী মশীং তরা শুরে নবেম্বর ৬, ২০২৫দা ঐখোয় চৎমিন্নগদবা পুল্লপ ঐগী য়ূমদা মীটিং অমা তৌরে। বাংলাদেশতা হান্না তরুল্লক চৎলুরবা হন্দক্কী খোঙচৎ অসিনা ৭শুবা খোঙচৎ ওইগদৌরিবা ওজা সরতচান্দনা তৌবা য়াবা/য়াদবা, ঐখোয়না ত্রিপুরা য়ৌবদা কদাইদা লৈবা, চাবা-থকপা কয়াগী মরমদা পাউদম্মী। বাংলাদেশ বোর্দরগী অখাওরা ইমিগ্রেশন ওফিস হেক লাম্থোকপগা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য শংসদকী প্রসিদেন্ট ওজা এ কে সেরামনা ঐখোয়বু ওক্লবা থৌরাং তৌরগা ঙাইরমগনি তাকপী। ইন্দিয়ন করেন্সিশিং দোল্লর ওনবা পূন্নমক ময়ামদা খঙহল্লি। অসুম্না বাংলাদেশ লমদমদুদা ঐখোয় সাহিত্যগী থৌমী ১০না বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য শংসদকী সনা ফুদোংবা থৌরম য়াওনবা নবেম্বর ১২ ঙাইরে। বাংলাদেশতা য়ূম পানখিবা ঐগী ইচলনুপী, ইখুরা অতোনবা আর কে সনাতোম্বগী মচানুপী ডা. আর কে গীতাঞ্জলিদা পীননবা য়োংচাক মরূ, লুপা লিশীং ৩০ পীরম্মু হায়দনা ইন্দোনসিনা ফোন্দা পাউ পীরকই। ঐগীসু ইচননুপীদুদা চাক্লৌবগী খুদোলগী ৱাখল্লোন্দা পীবিরমগে হায়না ইনফি অমা মনমশিনা থৌরাং তৌই।

নবেম্বর ১২ য়ৌরে ঐখোয় লোইনমক নুংথিল পুং ১.৩০দা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা য়ৌরক্লবা হায়নরে। ইমা লৈমরেল শিদবী লাইনিংথৌ সনামহীবু খুরুমজরবা তুং, ইপাগী থেৎলিবা portrait তা খুরুমজৈ, ঐখোয়বু থাদোক্তুনা চৎখ্রবী অমুক হন্না হল্লক্লরোইদ্রবী ইমাগী ফোটোদসু নচা চৎচরুখিগে হায়না খুরুমজৈ। ইচানুপা বুশো, ইচানুপী অতোনবী বুশিলা অমসুং ইশুনুপা আহেনসু য়াওনা ঐবু ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থিনবীরে। হায়নখিবা মতম চপ চানা য়ৌরে। এয়রপোর্টতা ইচানুপানা ঐখোয়গী টিম অদুগী গ্রুপ ফোটো অমা নম্বীরে। দিপার্চরদু পুং ২.২৫নি অদুবু ফ্লাইটতু খিত্তং দিলে তৌই ইম্ফালদগী ইন্দিগো ফ্লাইট নম্বর ৬ঈ৫২৫দা তোংলে ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী নুংথিল পুং ৩.৪৪ দা পাইখৎলে। নুংথিল পুং ৪.১৮দা আগরটলাগী মহারাজ বির বিক্রম এয়রপোর্টতা তেক্তা কায়দনা ঐখোয় থুংলে। এয়রপোর্ট মনুংদা ঐখোয় ফোটো খরা নম্লে। আগরটলা এয়রপোর্টকী ইন্টরিয়র দিজাইন য়াম্না নিংথিজৈ, য়াম্না চাউই। নুমিদাংৱাইরম পুং ৪.৫৬তা এয়রপোর্টতগী ঐখোয়না লৈগদবা মফম অদুফাওবা ওটোদা তোংদুনা চৎলে। ঐখোয়বু ত্রিপুরা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওজা কোন্সম অতুল কুমার সিংহানা তরাম্না এয়রপোর্টতা ওকপীরম্বগী অৱাবা অমত্তা য়াওদনা ত্রিপুরা ৱেষ্টকী ওল্ড মোটোর ষ্টেন্দ রোদতা লৈবা 'মদন মোহন গেষ্ট হাউস' তা থুংলে। ঐখোয়গী অরাম থৌরাংবা কোক্লবা 'ৱান রোল' কৌবা পাক্লবা পরোথাগুম্বা অমনা কোল্লগা মনুংদা তিলহৌ-য়েরুম য়াওবা মাল্লি, ঐখোয়গীনি হায়দুনা ওজা অতুলনা লৈদুনা পুবিরকই। ঐদি ওন্থোক্লা হাওনা চাজে। ঙাইহাক লৈরগা ওজা লাঙ্গোলজম বিরমঙ্গোলসু ঐখোয়গী ইনাক্তা লাকপীরে। ত্রিপুরাদা লাকপসিদা ওজানা ঐখোয়গীনি হায়দুনা হোৎনবীরিবা পূন্নমক পূন্সিগী কাউজরোই। আগরটলাদা ওজা লৈরম্বনা ঐখোয় খোঙ লৈবাক তাদে হায়বদো থোক্লে, ঐখোয়বু ৱাহন্দে। ওজানা পুদুনা ত্রিপুরা ৱেষ্টকী আগরটলাগী বট্টালা ফ্লাইওভর মনাক্তা লৈবা মী য়াম্না চিনবা হরিগঙ্গা বাশক রোদতা লৈবা Antarik entrade private limited কৌবা ফোরেন একচেঞ্জ তৌফম অমদা ঐখোয়না পুরকপা ইন্দয়ান করেন্সিশিংদো দোল্লরদা ওন্থোক্লুরে। ঐদি লুপা ৪০০০ খক্তনি দোল্লর ওনবা। অথেংবা পুং ১০ তাবা অদুৱাইদা ঐখোয়না লৈরিবা মোটোর ষ্টেন্দ রোদকী মফমদুগা নক্লবা 'kasturi' কৌবা হোটেল অমদা ঐখোয় চাক চারুরে। হোটেলদুগী ৱেট্রেসশিংদো ঐখোয় মণিপুরগী নুপীমচা লোইনা মাল্লি। ঐদি মীতৈলোল লোনশিল্লুরে অহানবদা, য়াম্না তপচৈ নৌজৈ, দ্রেসতু য়ুনিফোর্ম ওইনা য়েল্লো মচুগী ফুরিৎ চপ মান্ননা লিৎলি। ইচাগুম্বী নুপীমচাশিংদুগা ফোটো নম্মীন্নে কাউদনবা।

ওজা সরতচান্দগা ঐগদি মদন মোহন গেষ্ট হাউসকী মখাদা ফমুং অনী থাবা পীক্তক তৌবা কা অমদা লৈরে। ওজা সরতচান্দদু তূমথখ্রে ৱারম্লনি ঐদি তূমথবা ইঙম ঙমদে অদুবু নোংঙাল্লগা ওজা সরতচান্দনা ঐঙোন্দা, য়াম্থুংদি য়াম্না নাখোকখ্রে হায়রকই। তূম্বা য়াদ্রে খঞ্জরিবা ঐহাকপু নাখোকই হায়রকপদা ঐ হরাওখি, খরদি তূম্লুরে খঙলবনিনা!! (মখা চথজরকখিনি) ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।